

"হৌজিকপু তুম্বা মতম্লা ইতা
ময়াং ৱাক্লা পাক্লা খোংপি
মীনায় য়োক্থিং কক্কনি চংখিবা
নখংলেন শিবগী অশি পাউনিনে।"
- ইরোম শর্মিলা

## হৌগৎলো মীৎকপ থোক্লো

**—নোংমাইথেম প্রেমানন্দ**

হৌগৎলো মীৎকপ থোক্লো
তুংগীদি য়ূম্বীরেল নহারোলশা
করিগী তূমদুনা লৈরি।

হিংলিঙৈগী মতমসিদা
অঙম্বা শিন্থা পাংলমসি
তাইবঙগী অঙম্বা তৌরমসি,
মতমগী মমল লৈতবনি
ঙসি কৌবা নুমিৎসি
হয়েং অমুক লাক্লরোই।

কনানা খঙনি কৈদৌঙৈনো
তাইবঙ কুম্মৈ লোইগদবা,
চৎখিনি কনাদসু তাক্লমদা
মাঙখিনি নোংমদি ঙম্নমক
মালেম ইমাগী তম্পাক্তা
তিনখিনি উৎ ওন্দুনা।

ঙরাং ঐনা পুখ্রিদা
লৈতুম অমা লংথৈএ
অদুদি অদুম লুপখিনা।

হৌরবরা ননাও নঙ ৱাহংদো
তৎকদৌরেহে লেংবানসে পোবদা
তূম্লোনে হায়রগা তূমদেনেসে
নঙগী ৱাহংগী পাউখুমদা
পুখ্রি মপান্দা চৎলবনি
সে লৈতুমসি লংথরগেসে
ঈশিং ঈমাইসিদা য়েংউনে।

লৈতুম ঙাক্তা লংথরবদি
শোয়দনা লুপখিনি ঈমাইদা
নাপি য়াওবা হাবুংগী লৈতুম
লুপলোই কৈদৌনুংদা ঈমাইদা
তাওগনি লৈপাকসু ঈশিংদা।

মালেম তাওরিবসে ঈশিংদা
উ-ৱা হৌবননি ননাও-ও
উ-ৱাগী উমংনা মালেমদা
হৌবগী চাং লৈরক্ত্রবদি
লৈতুম্না ঈমাইদা লুপখিবগুম
লুপকদবনি ননাও-ও।

নোংমগী উ-ৱা থাদুনা
মালেম কনবা ইথৌনি।

পুপু উ থারগে
পোবা তোক্লসি ননাও-ও
শোল্লবা ঐনা থারম্লিবা
হৈপাল-উপাল নাৱা নখোয়গীনি
হৈপাল-উপাল থাখিগে
পুপুদা ৱাহং হংলকখিনু।

## তৎখ্রবা লংলা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

নীংথিজখ্রবা লৈরাংশিংগী পরেংদো
অপিকপা লংলা অমনা শমদুনা
ওইখিবনি নীংথিরবা লৈরাং পরেং।

ফজখ্রবা লৈরাং পরেং অদো
পিক্লবা লংলাদুনা পুনশিন্দুনা
লৈরাংশিং অদো লৈখল নাইনা
অমগী মথং অমা,
অমগী মথং অমা,
অচৌ মচা নাইনা
অমত্তা ওইনা লেংশিন্দুনা
য়েংলুবা খুদিং মীৎফম
হোংবা য়াদবা মখৈ নীংথিজহল্লি।

অপিকপা লংলাদুগী মগুণ
কনানসু খঙবিদে,
নীংথিজরবা লৈরাংগী পরেং
অদুতবু লৈরাং লৈশক পান্দুনা
শীংথাবখক্তনি।

কনানসু উবিদে, কনানসু খঙবিদে
অপিকপা লংলাদুনা তৎখ্রবদি,
নীংথিরবা লৈরাং পরেং অদো
অমমমতা ওইনা চায়থোকখিদুনা
নীংথিরবা ফজরবশিংদো
কনানসু খঙবি উবিদনা
অরেম্বদা মাঙলমগনি।

## তোর্ব্বানসিদা

**—অরিবম ডাইনা**

অতিয়াগী ফজবা মরক্তা
জগোয় শারি শাথেক নাইনা
মালংবা মহাকসু;

নোংজাবিনা মোমোন নোকচরি
শংবান্নবা মালেম্বু উরগা
চেন্থরি ঈচেল মহাকসু
অথিংবা লৈতনা তয়াং তয়াংনা
তোর্ব্বান মহাক লৈরম্বনা;

মেংলবা থাবল মরক্তা
কবোকলৈগী লৈনমদা
পংথখ্রে কুরাক মহাকসু
কুফেৎ কাফেৎ ঙাল্লি তন্দন্না
অমম্বা অহিং লৈরম্বনা;

পূন্নমকসে উরগা
নৌথোক্লি ঐগী ৱাখলসু
নীংশিংবনা ঐগী মরুপ ওইরবা
নাইতোম তারবা ঐগী পুন্সিনা
ঙাইরি নঙবু হল্লকপা
হল্লকখিদ্রবা নহাকপু?
খুন্নমখিদ্রা ঐগী পাউখোং

শান্নখো লাউ! ঐগী তম্পাক্তা
পেন্না য়েংজগে নঙগী মীনোক
তামখিনু নঙগী খোঞ্জেল
'ইমা' হায়না কৌবদো
পুখিনু ঐগী মনিবু
ইথাদগী শেত্তুনা;
ঙাইরি ঙসিসু নঙবু হল্লকপা
পিরাংগা লোয়ননা ইমানা তোর্ব্বানসিদা।

## তূমনীংদে হংখিনি

**—জি মনিচৌবা**

তূম্লোনে হুম-হুম ননাও-ও
লেংবান্দা য়াল্লিবসে কুইরবনি
নঙগী অচুম্বগী চক্রিদা
নপূ ঐ ৱারেনে
অমুক ৱাহং হংলক্লনু
তূম্লোনে হুম-হুম ননাও-ও।

কৈসু তূম্বীরোই পুপু-ও
ঐ ৱাহং হংখিনি
পুপুনা অহল ওইদুনা
লাইরৈবাক্তা চৎখ্রবদি
নৱা ঐখোয়না কনাদা
তাইবঙগী চৎনবীসি হংহৌনি
করম তৌনা লেলহৌনি
মপান নাইদ্রবা তাইবঙসিদা।

পুপু ঐখোয়না লৈরিবা মালেমসে
ঈশিংদা তাওবনেসে চুম্বরা?
অদুদি লুপত্রিবা করিগী

## পুন্সি লম্বীসিদা ঐ

**—বিশ্বজীৎ**

পুন্সি লম্বীসিদা চৎখিনি ঐহাক
থেংনখিগনি অৱা নুংঙাই কয়া
লেপ্পরবসু ইমাংদা য়ৈখাইবগী চীংশাংনা
ঙাইরবসু ইতুংদা থিনগাইবগী ঈপাক্লা
হোৎনগনি হনবা লৈতনা ঙাকথোক্লবা।

অঙকপনি পুন্সিসে য়েংলুবদা, উরুবদা
অঙকপনা থল্লবা পুন্সিনি খল্লুবদা
খঙদবদি য়ারোই পুন্সিসি করিনো?
ঐদি খঙই নঙসু খঙউ
পুন্সিগী মমল, পুন্সিগী মহাউ।

## মীৎকপ থোক্লনি

**—ইরেংবম কৃষ্ণচন্দ্র**

কমদৌরি!
কুইরে নৱা নপাউ তাখিদবা
মতম অমদি নঙসে,

ঐখোয়রোমদা তোয়না লাক্লমদাই
কদোমদা লৈরিবগে নঙবো,
নঙনা ঐখোয়রোমদা লাক্লম্বদো
ঐগীদি য়াইফবনি,

নহাক্লা লাক্লম্বনা
মমা নুংশিবা পোক্লমদ্রবা,
মচিন-মনাও চোয়খায়রম্বা,

পুনশিন্নরে অমুক
অমত্তা ওইরে ঙসিদি,

থিনরক্লে মখোয় মশেল
কদায়দা লৈরিবগে
করম্না লৈরিবগে,

লাক্লে মখোয় পূন্বা ঙসিদি
ঐখোয় লৈরি ইমা, ঐখোয় লৈরি ইমা
মরুপ ইকনমিক ব্লোকেদ
নঙবু মখোয় কয়ানদি পাউথোক্লি
ঐনদি খঙই,

নঙ লাকপদি
ঐগী ইচাশিংসে
মীৎকপ থোক্লনি শোয়দনা
মীৎকপ থোক্লনি শোয়দনা।

## মুৎখ্রসনু

**—ডা. রঞ্জিৎ মঙাং**

লমদমসিগী থৌদোক কয়া
উরে ঙসিদি মীত্তা
তারে ঙসিদি নাকোংদা
মখোয় খুদিং মীনা থোকহনবনি।

মী হায়বা কাঙবু
ওন্থোক্লা ফৎখিদ্রবা অহিংবা ওইরম্লে
অহিংবা খুদিং নুংঙাইনা লৈনবা
মী হায়বা কাঙবু মুৎখ্রসনু।

## থাবলসিদা

**—ডা. নির্মলা রাজকুমারী**

ঐগী থোঙনাও ময়াদা ফল্লগা
য়েংলুই তরামরিনিগী থাজসে
অঙাওবা ফাইরেল থাগী।

কয়াদা নীংথিজনা
মায়থোং মকা লাম্না থোক্লল্লিবা
পূক্লিং শুক্নৎলি উবদা
ফজরবী মায়থোঙসে।
লোৎখ্রে অমুক লৈচিলগী মরুমদা
অদুম মফজৈ লৈচিলগী মরুমদসু।

ফল্লসিরা ঐবু থোঙনাও ময়াসিদা অসুম
অইংবসি খাঙদুনা
থাবলগী ফজবা য়েংদুনা।

# বেনারস টকিজ


## (মথোঙ চাদবা মহৈরোয় মরি/মঙাগী মঙাওথীবা মতৌ উৎলিবা নোবেল)

**লিও** টোলষ্টোইনা ইবা 'ৱার এন্দ পীছ' হায়বা চাউখ্রবা নোবেল অদুবু শমজিন্না অমুক ইংরাজিদা ইথোকখিবা অমেরিকা মচা Ernest J. Simmons হায়বদুনা ফজখ্রবা ৱাফম অমা হায়খি, ঐদি মদু ওন্থোক্লা চুম্মী হায়না খঞে। মানা হায়, "For artistic Values 'War and Peace' should be read only in the Original Russian, for artistic values are patently lost in translations, no matter how perfect the rendering may be' (Introduction, War and Peace) মানা অসিমসু হায়, 'War and Peace' ইখিবা মতম ১৮৬০গী মতম অদুগা ঙসিগী মতমগসু ওন্থোক্লা খেন্নরবা মতমনি। মানা মসি পল্লম্লিবা অসি artistic value হায়বসি মতম মতমগী হোংবা নাই হায়রিবনি। ঐনা খঞে, হন্দোকপগী মতাংদদি Simmons না কাঙথোক্লম্লিবা ৱাফম খরা অসিনা লোইনা হায়খ্রে। হন্দোকপা লাইরিক অদুনা ওরিজিনেল অদুগী চপ চাবা মহাওদি কৈদৌনুংদা পীবা ঙমদে। অদুম্না J. Hillis Miller না হন্দোকপা হায়বসি মপুন্সি চুপ্পগী লোই থাখ্রবা মীশক্লুম্বনি হায়রম্লিবনি। মরম অসিননি, অইবী Lila Ray না "The place of the translator belongs to all and to none and must be, at the same time, a creative writer." (The translator: His Triple Role). মাগী ৱাফম অসিসু করম্না লাল্লি হায়রুগনি।

ঐনা ৱাফম খরসি পঞ্জরুবগী মরমদি ঐখোয়গী লোনগী ফরবা হন্দোক্লোয় অমা ওইনা চঙশিল্লক্লিবা আর কে মোবীগী অনৌবা খূৎলাম্থোক অমা ঙসি পাব ফংবা অসিননি। মাদি চোকথবা লৈত্রি। অমগী মথঙদা অমা হিন্দীদগী হন্দোক্লি। মাগী খূৎ খ্বাইনা খঙনরে। মহাক অফবা হন্দোক্লোয় অমা হায়বদু ওইরে। হান্না ফোঙলকখিবা 'বন্ধোব থল্লবা রঘু' অমদি 'সহরদা কর্ফিয়ু' পাখ্রে, মদুগী মমাঙদা মোহন রাকেশকী 'মপূং ফাদবা' হায়বদুসু পাখ্রে। মৈতৈলোন অদুম তারি। ৱারীগী প্লোটকী, ষ্টাইলগী ফজবদুনা ওরিজিনেল অইবদুগী ওইজখ্রসু ঐখোয়গী পাউদম্লিবা হন্দোক্লোয় অসিনা মৈতৈলোন মতাদ্রবদি লাইরিক্তু পানবীনবা মী লৈরোইদৌরিবনি। অদুমক্তি থোক্তে, মশানা ইবমুক ফজৈ হায়নীংঙি।

হন্দক্কী অসিনা অমুক্কা হেন্না লুখ্রে, লুর-লুরবা মৈতৈলোন্দা হায়বদা ইকাই-শেঙ্গোই হাঙগদবা ৱাহৈফাও ওন্থোক্লা হৈনা, মীমাঙদা ঙাঙবা য়াবা মওংদা থল্লকখ্রে। হন্দক্কী 'বেনারস টকিজ' হায়বা নোবেল অসিদি ওন্থোকপা নোবেলনি। নুপা ঙাক্তা লৈবগী, ঙাঙনীংবা ঙাঙবা, খোন থীবা য়াখৈ থীনবা ৱাঙাঙ ঙাক্তনি। বেনারস হিন্দু য়ুনিভর্সিটিগী লো ফেকলটিগী হোষ্টেলদা লৈবা মহৈরোয় মরি/মঙানা মপূং ওইবা লমচৎ ওইবনি। লো অহানবা চহীগী মিং চল্লবা মহৈরোয় অমা, মমিংনা সুরজ কৌবা অমনা মশাগী এক্সপরিয়েন্স পূন্বা ৱারী তারিবা মীশক অমদা লীবগী মওংনি। ওন্থোক্লা মচু তানা লীখ্রে। হেক থোকপা থৌদোকমক্তা মাল্লি। মদুবু ফিক্সন ওন্থোক্লক্লিবা অইবা সত্য ব্যাস হায়রিবা নহা অইবসিগী অহানবা খূৎনি। অসিমতং ইবদা ফাওখ্রবা অইবনি। চহী অমদা লাইরিকসি মঙারক নমখ্রবনি। মসিবু হিন্দী পারুদবনা মণিপুরগী অপাবশিংনা পাব ফংদনা লৈরক্লবনি। মদুগী অৱাৎপদু মোবীনা উদুনা হন্দোক্লকপনি। ঐদি মোবীনা হন্দোকপা অসিনা অসুক পাব নুংঙাইরবসিনদি হিন্দী অপাবশিংনা নুংঙাইরমগদবা অদু ৱাখলনা উরকই। ফজবা লাইরিক্লি। ফজবা হন্দোকপনি।

ৱারীদি BHU গী লো ফেকলটিদা মিং চনবা লাকপা হৌবদগীনা ৬শুবা Semester পীরমদাই হায়বদি চহী তথক্কী কোলেজ পুন্সি য়েকপনি। ৱারী লীরিবনা সুরজ কৌবা অমননি। তারিবা মীশক অসিদি মিংনাইদবনি, মাগী ৱা অমতা ঙাঙলক্তে। ঙাঙলবসু তারিবা সুরজনা অদুম তাবনি, অপান্বশিং অমতা তাবা ফংলোই। অদুবু সুরজনা চেনা পন্দনা লীথরকপনা কোলেজদুদা তম্লিঙৈদা মঙাও কয়াম থীরকপগে হায়বদু লোইনা লীবা ঙম্মী। মসিনি অইবা সত্য ব্যাসকী মায় পাকপা। সত্য ব্যাসনা পাল্লি, ঙসিগী এদুকেসন্দা মিত্রং অমগুম অমোৎপা, অরানবা কয়া চঙশিনখ্রে হায়বসিনি। মহৈরোয়সু ওজাসু মথম্মোয় লোইনা শেংবা নত্তে হায়বদু তশেংনা উৎনবা হোৎনৈ। অদুদা ইনখৎলকপা পাখঙ-লৈশাবীগী নুংশি ৱারীনা মফেল ওইবগী ৱাতনি। অদুগা ৱারী পরীং অসিদা নহারোল লালহৌগী মিহুল চেনবা মহৈরোয়সু য়াওরক্তুনা য়ৈখায় থিনগাইগী লৈই অমনা ফৈনা চিংশিল্লক্তুনা মিৎ খংশিং শিংহল্লি অপাবশিং। সস্পেন্স, থ্রিলস, হোপস হায়বদি পাখৎপা, মিহুল চোংবা, অদুবু আশানা পোলোই ওইবা ফজবা নোবেল অমনি।



| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | বেনারস টকিজ |
| মখল | ঃ | নোবেল |
| অইবা | ঃ | সত্য ব্যাস |
| হন্দোকপা | ঃ | ডা. রাজকুমার মোবী |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৮ |
| অফোঙবা | ঃ | মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটি |
| পাউদম্লিবা | ঃ | সলাম তোম্বা |

লামায় হাংদোকপগা থেংনৈ, BHU খঙনীংদুনা য়েংবা লাকপা অমদা সুরজ কৌবা ৱারী লীরিবা মহৈরোয় অসিনা লাক্লিবদু লমজিংদুনা অসুম অসুম য়ুখল হাইদোক্লকপা। মানা হায়, মহাক্কা জয়ৱর্ধন হায়বা অমগা থেংনৈ। জয়ৱর্ধন য়াম্না হৈ-শিংবা মহৈরোয় ওইনা উৎলি। মহৈরোয় পূন্বগী মপাশিংগী সহি শাদুনা ইনকম সার্টিফিকেট য়াওরক্তবদু শেমদুনা মিং চনবদা মতেং পাংই। সুরজগা জয়ৱর্ধনগা কা অমদা লৈমিন্নৈ। সুরজগুম্বা অনুরাগ ডে হায়বা অমগীসু জয়ৱর্ধন্না মতেং পাংখি। অদুনা মখোয় ৩ চান্নবা মরুপ ওইখি। পূন্না ভগৱান দাস হোষ্টেল হায়বদুদা কা নক্লনা লৈমিন্নখি। মখা তাবদি সেনিয়র মহৈরোয়শিংনা রেগ্গিং চখ্থবা, গঞ্জাগী রবরী পীজবা, নুপী হোষ্টেলদা বামোন চাকথোংবা শাদুনা চৎহল্লগা নুপীগী পোৎ লোন্না পুহল্লকপা কয়ানি, মথোং চাদবা ঙাক্তা। অদুবু অদুম থোক থোকপা মালহল্লি। মরম লোইনা চাহল্লি।

মথংদা সুরজ হায়রিবা মহৈরোয় অসিগী কাগা নক্লনা রোশন চৌধুরী কৌবা মহৈরোয় অমনা হোষ্টেল অদুদা লৈনা লৈনা চাক থোংনবা কুক্করদা বোম শাবগী থবক চখ্থরকই। মাগী কাদা অতোপ্পা মহৈরোয় লৈতনবা প্লান তৌরকই। শশঙ্ক কৌবা মাগী লৈমিন্নবদু শারৈ খরা হৌবদগী ময়ূমদা চৎখিনবা মানা প্লান তৌরকই। মায়সু পাকখি। অদুনা মাগী কাদু মতোমতা লৈবা ফংখি।

অদুগা ৱারী লীরিবা সুরজ অমদি জয়ৱর্ধনদি ইচম চম্বা ইঙাও ঙাওবা, মহৈরোয় ওইবগী পূন্নাঙ লাঙবা ওইনা উৎলি। মখোয় মশেল ক্লাসতা প্রোক্সি তৌবা, মহৈরোয় অমনা মহৈরোয় অমগী রোল শাদুনা খুম্বা, ওজানা ফারকপা, মঙাও থীবা কয়াসু উবা ফংঙি। লোয়ননা BHU দা Satellite love হায়বা অমা থোক্লকই। মসিদি কারকহৌদবা মহৈরোয় নুপী অমনা মহৈরোয় নুপা অমদা Note book অমুক্তা ৱায়গে হায়না ৱায়খিবদা মহৈরোয়দুনা পঙনুংদা নুংঙাইবা, মহৈরোয় নুপীদুনদি খঙদনা পঙকোয় কোয়বদুনি তাক্লকই। মসিসু চৎনরিবা মওংনি, মসিদগী খজিক্তং খেন্ননা সুরজ হায়রিবা ৱারী লীরিবা অসিগা শিখা কৌবী মহৈরোয় নুপী অমগী মরক্তা ফোঙদোক্তবা নুংশি ঈচেল অমা চেন্থরকপা উৎলি। মসিসু অইবনা য়াম্না হৈনা পুথরকই। মমল লৈনা, হেনজিন্নদনা চখ্থরকই।

অদুবু নোবেল অসিগী ক্লাইমেক্স হায়বা তারবদি মহৈরোয় ময়ামসিনা ওক্তবী মকোন্দগী নুপী মচা অমা কন্নবা হোৎনবদা থেংনবা মতাংদুনি হায়বা তাই। মদুদা সুরজনা, জয়ৱর্ধন্না লৌখিবা রোল নুপা থোকপনি। য়াম্না হৈনা চখ্থখি। পাবদা সস্পেন্স য়াম্না পীবা ঙম্মী। মদুদা নাকল অমরোমদগী ফৈজিল্লক্লিবা থৌদোক্লা রোশন্না কুক্করদা শেম্বা বোম পোকখায়হন্দুনা পূল্লাং লাংহল্লকপা অদুনি মিহুল চোংনরিবা। অদুবু মমৈথংদা মথঙ মথঙ ফাগৎলকপদা রোশন জেল য়ৌখি। অদুগা সুরজ, জয়ৱর্ধনবুনা মরাল লৈতে হায়দুনা থাদোক্লকখি।

লোইশিল্লকপদদি লাইরিক্তা মায় ওনশিল্লকপা উৎলি। চহী ৩ লোইরকপগী ৬শুবা সিমিষ্টর পরিক্ষা পীরমদাইনি। সুরজনা চহী অমগী মমাঙদা দিল্লিদা চত্তুনা সেক্সন ওফিসর খনবগী পরিক্ষা অমা য়াওরুবনি। মদুগী ফল অদুসু য়ৌরকপা মতাংনি। ফজরিবনা সুরজনা ক্লাসতা অরোইবা প্রজেন্টেসন লেকচর পীবা নুমিৎসু ওইখি। অদুবু শিখানা থোক্লকউ হায়না ফোন তৌশিল্লকই। নুংশিবগা লাইরিক্লা কনানা লুবগে হায়বা চাংয়েংদু চখ্থরকই। সুরজনা মাগী পালি লাক্কদৌরে, মসিদং ঙাঙলম্লগা থোক্লক্কে হায়বফাও য়াখিদে। দিল্লিগী পরিক্ষাসু ঙম্লকখি। লেকচরসু পীবা ঙমখি। শিখাগসু উনখি। কমদৌনা উনখিবগে হায়বদুনা পারগা খঙবা তারি।

অদুবু লোইশিল্লকপদা অপাবশিংনা ঙাওগদবা অমদি লৈরে। সুরজ হায়বা মিংসি ৱারী লীরিবা মীশক অসি নত্তবা রুম নম্বর ৭৯দা লৈবা অনুরাগ ডেগী রুম মেটসু সুরজ কৌই। মসি নাখৈ শেংফাত্তে। অদুগী মথক্তা মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা য়াবা ইংরাজি ৱাহৈ কয়া অমসু অদুম থল্লি। পূন্নমক অসি মথঙগী এদিসন্দা অমুক্তং য়েংশিনহন্নিংঙি।

# নীঙখায়খি

- **ক্বা** মতপ অমত্তা!

অসি হায়রম্লগা ঙেক লাউনা ফমথৈ মমাঙ থংবা মমায়দা হিগোক মচুগী রং তৈবা পান দুকান্দুগী মনাক্তা থারিবা বেঞ্চ অদুদা তা তোম্বী পিওন। শুপ্নগী মী অহুমতং চনবা উগী ফান অশাংবা মচাদুমদা তা তোম্বী নোকফেৎ তৌনা ফম্মী। মমিত্তা ক্বা তপ্লিবীদুদা মিৎয়েং থম্মী। ক্বা তপ্লিবীগী তশিং তশিংবা ময়ুঙনা ইনবী খূৎচাশিংদুনা তহা তহা তপ্লিবা ক্বা মতপ খোয়দানা য়েংজৈ, মথুম মরাঙ হৌবা শকফমগা ঈরোইননা তা তোম্বীনা। চাদ্রিঙৈদা মহাও খঙলবগুম মতিন কুৎ য়োৎচৈ।

- শুনু য়াম্না হাপচিন্নুকো, ঙরাংদি ইবেমা চাক ঈশিংগা অমতা চা য়াদ্রে !

- শিরম্মদি ফদৌনি, শোরাৎ চাউনা শোন্নবা।

য়াম্না কেনা খুন্নকখি হিক্লা শুক্ষৎয়াই পুবী খোঞ্জেলদু। ঈশিং য়োৎপদা মপাল ফাওনা উবী থোৎনা ঙৌবী খৌনাওদুদগী।

- ঐ শিরগা নঙ পেনগদৌরিনিনে।

কোথরকই তা তোম্বীনা।

- পেন্দ্রবদি কপকদ্রাও তা'তোম্বী নঙবু।

- হৌরক্কনুকো ইবেম্মা হিংচাবী।

- য়াম' পঙঙিয়ে তা'তোম্বী নঙসে, চাউগদৌবা য়াম ৱাৎলিদা।

ঙানু থঙ্গোংগা শক্তম্লবী মঙক্তু পৈরপ চেপ্লপ তৌনা য়েংলগা মথৱাই তানা নোকচখি মীনোক মচা'মা শকহেনবীদুনা। পামজবা মীনোক্তুদা তা'তোম্বী মপূক্লিং, লৈতাদ্রমাল্লে। তথক তথকপগুম তৌখি। করি করিনো ৱাহৈ অমনি অৱাই অখুম লানথেংনখি। মখা তানা ক্বা তপ্পীবা অমদি ক্বা চারিবা মখোয়নিদু।

বস থাগদৌরে। ফুট শুদবা ড্রাইভরদুগী হোর্ন হন্না হন্না খোংলকই। মোত্তাইনবা ফিজোল শেৎপা গাড়ীগী হেন্দিমেন ত্রাইবেল নুপামচাদুনা মরোল খোইরপ তৌনা লাউরকই, গাড়ীগী থোঙদা পায়রদুনা পেসেঞ্জর মপূং ফাননবা। ইহৈ হৈনীংদনা তা'তোম্বী গাড়ী কাখৎলকখি। অমুক্তং লৈদুনা য়েংখি হিগোক মচুগী রং তৈবা পান দুকান অদোমদা। ক্বা তপ্পী অদুসু খোইরুম মীনোক্লা লৈতেংহন্দুনা মপূক্লিং তপথদ্রবা তা'তোম্বীবু বিদাই মচা'মা পীরকই শুনু কাবক তৈবা খূৎচাশিংদু থাঙ্গৎতুনা।

অঙাং, তরুক্কী মপানি তা'তোম্বী। মমা অশোনবীদুমগা সহধর্মীনিদুমগা মখোয় নিপাল চাবা ইমুংদুদা তা'তোম্বীতনি শেল থোক্লিবা। মদুসু মথোঙ চাবা চাকরী নত্তে। মাষ্টরোলদা শুপ্নতংগী থা অমদা লুপা ৭০০ খজিক্তং হেনবতনি। মদুসু কারগা ফংবা কাদ্রগা তোকপা চলাইবা ওকপোৎ নত্তে। থাগী তলব ফংবা নুমিৎতা তলব তঙ্খাইমদি পান দুকান মপূনা লৌহৌই। ক্বা তপ্পিগী হিসাবতা ক্বা চারিবনা চিংনবা তৌদে। তশেংবদি পীরিবা শেলদুগী তঙ্খাই য়ৌদনা চাজবনি তা'তোম্বীদি অদুবু ক্বাগী শেন্দোইদি চাম্মদা চাম্মা কামাল্লে।

ময়ূমগী ইতৈমনা শেল কোন্নদবগী ৱাকৎ কয়া'মা থাঙ্গৎচৈ মপূরোইবদা।

নতেং খজিক্তং পাংগদবসু অঙাং তরুক্কা অশোনবী'সিমগা শুদুনা লৈরে।

- মহোই' মপাগী থবকসি খিৎ তোকপীরো! কৈকান্দবদা কোনসু কোন্নদে।

ইতৎ তত্তনা ঙংখৎনৈ ৱাফমসিদা য়ূম্ফম ওইদুনা। ইতৈমা চৈ কয়া অমা চাখি। শেন্থোক পীকচরবসু, ৱাখল, চক্রি, থৌগল চাউই তা'তোম্বী। গৎ লৈনা হিংজবা তা'তোম্বী মচা তরুক, কুমলায়নানা শোল্লবী মমা চাব চাদবা খঙদে, মাগীদি মথেল অহুমদগী তারবদি পুখম মপানদা ফমথদে। ওফিসর অমগী থৌগলদগী তাথদে। মসিগী মতাংদা ইতৈমনা এজেন্দা কয়া'মা থাঙ্গৎচৈ, নপাম চৎখ্রো য়াথং তাওথরকই। মচা তরুক্কী খন্দুনা ইতৈমা হনথখি।

ঙসিসু হান্নগুম হুই মতেক'মা খোংলদুনা ময়ূম হঞ্জিল্লকই। দাড়ী কাখৎত্রিঙৈদা ইতৈমনা হায়রকই,

- অঙাং মচাসি মশা মৈ হৌবমখৈ শারে। সিবু কমহাই' তৌদোইনো? থেঙখ্রবদি হীদাক য়োনফমসু থোঙ হাংলরোই। ঙল্লিঙৈদা অমুক্তা লৈবিরুচো।

- কয়াম' শারবগে? হেক হঞ্জিল্লকপগা নুংঙাইফম লৈতে। হঞ্জিল্লক্তবনা ফরবা জাৎনি।

ইতৈমা ফ্রং শাউরকই। মমায় মমিৎ ইঙাং ঙাঙ ওনশিল্লক্তুনা

- সিবু ঐনা নাহনবরো, নঙনা অদুক শাউরিদুবু। ঙসি নীনি হুমনি শুরবনি, নঙনগা লৈরম্মোই খনবনে, ফখিদ্রা হায়দুনা তৌনি!

ইতৈমদু পেরি পেরি তৌখি লোইরমদাইদা।

- ঐসু হকচাংসি ইঙম ঙমদে, ঙাইহাক্তা পোখাগে লাংগনু।

মফি হোংলগা ইমুং চঙখি। অঙাং অনাবদু মনমদা পোশিল্লগা ইতৈমা মুরুম-মুরুম শোন্দুনা য়াচংবদুদা তপ্লি-তপ্লি থোকখি থোঙ্গাল্লোমদা। অমুক হঞ্জিল্লকই। মশা ঙমদবনা ওইরমাল্লে, অঙাংদুসু ঙ্রুং ঙ্রুং ঙংবা লেপ্তে নংগন্দা। নুপামচা চহী তরামুক শুবদুনা অঙাং তরুক্কী অহলনি। ইতৈমনা নুপামচাদুদা চাক থোংনবা থৌদাই। চক্রি তৌরে।

- লাইরিক পাদোইনি কৈসু, মীনা বোয় লৈবিয়ুদি য়াদনা।

হায়রম্মগা লাইরিক পাদুনা লৈথোকখ্রে। চহী নিপালদং ঙাইরিবী নুপীমচা য়াইমদুদা অমুক থৌদাই মমানা। মমাগী অৱাবা খজিক খঙবনরা, লাইরিক তৌনীংদবনরা খঙদে, উচিন নাচিন্না চাকখুম চঙখ্রে নুপীমচা য়াইমদু। চাক চখোমদু অমনি হুক্লগা তা'তোম্বী নিঙাই তৌরকই।

- চেঙসি অফবা খরা য়ানবা য়াদ্রো? সিদি চাব য়াদ্রে! এঞ্জাংনা মরোল অমা হাওতবনে।

- অদু ফাওবা ইনম্মা অপাবীদগী পুরুরিবনি।

- নুপী নঙ খুম্মক্কনুকো।

অশাওবা উৎলকই মপূরোইবদুনা। ইতৈমনা তপ্লি তপ্লিনা হায়রকই,

- ঐ করিমতা ঙাঙজরোই, ৱাত্তনবতা থম্বীয়ু।

মখা তানখিদে। কোল লীক্কী মখোল অহৌবা খরা তাখি।

মথং অয়ূক্তনি। ইম্ফাল টু ককচীং থাবা বসতা তা'তোম্বী কৈশাম্পাৎ পার্কিংদগী কাখৎলকই। মোন্দা নুংঙাইবগুম তৌই। মাগী ৱাখলদুদা বসতুনা লেঙম শাঙমদনা থৌবদু রোকেটকুম য়াঙহন্নীংখি।

য়াম্না ঙাইঙমদনা থৌবাল য়ৌরদুনা তা'তোম্বী কুমথরে। ওফিসকী গেটকী নাকলগী পান দুকান লোমদা মিৎয়েং থমলুই, থোঙ হাংলমদ্রি। ঙল্লিবা মাল্লে খন্দুনা খুদাংদা মতম য়েংগে খন্দুনা খুদাং থাঙ্গৎলুই। ঘড়ী য়াওরমদ্রে। ওন্থোকপনিদা ঘড়ীদি শিরক্লমদ্রে থুমনখিদুনা। ওফিস তম্না পরপ পরপ চঙই। এটেন্দেন্স রেজিষ্টারদা খূৎয়েক মচাদু মরী মরী তৌশিল্লগা অমুক তহা তহা থোক্তুনা থিংলিবা পান দুকানগী থোঙদু মিৎয়েং থমখি। ঙাইঙমদবগুম অতোপ্পা মী অমনিদা হংলুই।

- ক্বা চানীংবনা পান দুকান্নি হায়না তৌরিসিনা হৌজিক ফাও থোঙ হাংদে।

কনাসু থওইনা খুন্নক্তে। মাগা মত হায়রপ তিন্নজবা মরুপ পিওন জিয়াউদ্দিন থিরকই। জিয়াউদ্দিন ছুটি লোইরে হায়নরকই। অশেংবা 'মদি খঙনীংদুনা পান দুকান মমাঙদা হেক্তা লেপ্লুরে তা'তোম্বী। মেন তাদনা হঞ্জিল্লকই। পোখাফম ইখঙ খঙদবগুম তৌই মশাদু। ওফিসারগী কোলিং বেল মখোলদু বজ্র শিংজং তারকপগুম খংপ্রেক খংলে। মতৌদু ৱাখল তাবা য়াওনরক্লমাল্লে। অহল খরা ওইবা ড্রাইভর তাদ বিহারী চঙলক্তুনা লক্লরকই।

- ইনাওসি ঙসিদি মতু মমান ইশোন শোনবগুম উইদা।

- তা'বিহারী! ক্বা লৈগে তৌববু ক্বা য়োনবী ছুটি লৌখ্রমাল্লেনে।

- ছুটি শাংনা লৌদৌ মাল্লি হন্দক্কীসিদি, ইনাও তোম্বীগী লেং চলহৌদ্রবোইরে নুংঙাইতে।

তা তোম্বী স্বাই লাউখি। নোকশিন্নদুনা খুম্মী,

- হেরা! অদুম্নগদি খনবীনুদা, য়াম্না চম্বনি ননাওদি। নৎত্রনে?

ৱাখলদি পুরা তাদ্রবসু হায়ফেত্তি মরী মখোঙ শেংলে। দুকান মপূ অতোপ্পা অমদা চেনখ্রে। তা'তোম্বী মঙ হাগুম মশাদু ইতাও তাউই।

উচিন নাচিন ময়ূমদি য়ৌরকখি। শুমাঙ য়ৌরকপদা ঈরাং অমা তৌরম্মী। মচা মঙাদু দাড়ীদা পরেং চিন্তা তৌনা ফল্লম্মি। য়ূমলোন কৈরোন্নবা অহল অমা অনী তুমিন তুমিন লৈরম্মী। মাঙ্গোল উখোক তেন্দা ঙারদুনা মচা অতোম্বা চক্রি নিঙাই লেপখ্রবদুদা চেজেৎ কোল্লদুনা ইতৈমা উয়ুংগুম চপ লেপ্পদু তা'তোম্বীনা উরকই।

**—হুইরোংবম বেনুবালা**